২৬ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ নট সঙ্গিৎ একাদমি এন্দ রিসার্স সেন্টর য়াইস্কুল জনমঙ্গান ইম্ফালগী ২৬ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১২ দা জনমঙ্গান কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না দি নট সঙ্গিৎ একাদমি এন্দ রিসার্স সেন্টর য়াইস্কুল জনমঙ্গানগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, একাদমি অসিনা চহী খুদিংগী ওইনা কৎচবা মনা নিংথৌজম অঙাংয়াইমা সিংহ নিংশিং মনা অসি কুমসি চহীগী ওইনা মণিপুর সঙ্কৃতন লমদা শিংথাবা য়াবা থবক থৌরম কয়াদা কৎথোক্তুনা লাক্লবা ওঝা থৌদাম য়াইস্কুল সিংহ শিংজমৈ ওক্রম লৈকাইদা লৈবা ওঝা অসিদা পীরগনি।

হৌখিবা চহী ২০১৮ গী সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এব্রার্দ ফংলকখ্রবী ইমা অনি হায়বদি অখাম লক্ষমী দেবী অমসুং হৈস্নাম অশংবী দেবী হায়রিবা ইমা অনি অসিবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা একাদমি অসিগী মহৈরোইশিংনা পাঙথোক্কদবা টাল ফাংনবগী থৌরম কয়া অমসু মীয়ামদা উৎকনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা লুপ অমত্তনা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা কৌবীগনু হায়না অপিল তৌরক্লি।

পাউরৌ পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর চেরিটেবল ত্রষ্ট শগোলবন্দ খুল্লাম লৈরক ইম্ফালনা শিন্দুনা পাউরৌ পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইবা 'মণিপুর ষ্টেট ওপন সোং কম্পিটিসন' অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৪ নিংথৌকাবা নুমিৎতা এল জি রোজ গার্দেন য়ুরেম্বমদা পাঙথোক্লগনি হায়না পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর চেরিটেবল ত্রষ্ট শগোলবন্দগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসি পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বরনা ইবা 'চুম্মী হায়না লৌবীব্রা? লাল্লি হায়না লৌবীব্রা'? হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোক্লগা শকপা ঈশৈ ওইগদবনি। কম্পিটিসন অসি পদ্মশ্রী এল নবকিশ্বরগী চহী ৮১ শুরকপা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবনি।

কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম প্রদিপ মেদিকেল ষ্টোর শিংজমৈ চীংঙামখোং চোংথাম লৈকাই ফোন নম্বর ৭০০৫২২৮৪৩৫ নত্রগা কোংখাম বিরকুমার সিংহ চীংঙামখা মৈস্নাম লৈকাই ফোন নম্বর ৭০০৫৩১৬১৬৪ দগী খঙবা য়াগনি। চাংদম্নগদৌরিবা ঈশৈ কম্পিটিসন অসিগী মকোক মথং তারবশিংদা মথংশিংনা লুপা ১০,০০০, লুপা ৭,০০০ অমদি লুপা ৪,০০০ শেলগী মনা ওইনা পীগনি। অদুগা ৪ শুবা পোজিসন দগীনা ১০ শুবা ফাওবগী ওইনা লুপা লিশিং ১/১ পীগনি। কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম লাক্লিবা ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়রি।

মিংজন শেল পীশিনবীয়ু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ চহী অসিগী হৌখিবা আগষ্ট ২৫ থৱানগী ২৪ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা হয়িং খোংবাল উফোং য়ুম্ফম (ফার্ষ্ট এম আর কমপ্লেক্স) তা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী শঙলেন্দা অমাই পিবা অপুল লুপ কংলৈপাক (অপাল) কংলৈ কৌবা লুপ অসি শেম্বদা য়াওখিবা লুপলোইশিংগী মনুংদা মিংজন চেদি পীশিনখ্রগা মিংজন শেলদি পীহৌদবশিংনা মিংজন শেল পীশিনবীনবা অমাই-পিবা অপুল লুপ কংলৈপাক (অপাল) কংলৈপাক্কী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা থৌবু লুপলোইশিংগা পাউ ফাওনরগা হয়িংখোংবাল উফোং য়ুম্ফম লাইনিংথৌ সনামহিগী শঙলেন্দা লাকপীদুনা অপাল কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট সলাম মনি অমদি কোনসম জিতেন সেক্রেটরি অনিগী মরক্তা পীশিনবীবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ফোন নম্বর ৯৮৬২১৬৮২৫৭, ৯৮৫৬৭৭৬৫৮৮ তগী খঙবা য়াগনি। লোয়ননা মিংজন শেল পীশিনবা মতমদা ইশা-ইশাগী ফোতো কোপি ২/২ গা লোইনরক্কদবনি। লুপলোইশিংগী মেম্বর ওইরবা খুদিংমক্কী আই কার্দশিংসু শেমগদৌরিবনি হায়রি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ললিত কলা একাদমি এব্রার্দি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট প্রো: থোইদিংজম তোম্বী সিংহনা মালেমগী থাক্তা মমিং চৎলবা দুবাই, য়ু কে, ফ্রান্স অমদি রোমনচিংবগী মফমশিংদা লৈরিবা মুর্ত্তি অমদি চিত্রকলাগী মরমদা থিজিল্লববু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী ওফিসতা পরিষদ অসিগী সভাপটি প্রো: কাংজম ইবোহল সিংহনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, হায়রিবা থৌরম অদুদা প্রো: থোইদিংজম তোম্বী সিংহনা হকথেংননা থেংনরকপা অমদি নৈনরকপা কয়াশিং অদুগী য়ান্নবা একাদমিক ওইবা পাউদম অমা তমদুনা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা অমদি হৌজিক-হৌজিক কলা অসিদা মায়পুনরিবা মীওইশিংদা তাহনখি।

মসিদা নত্তনা লমদমশিং অদুদা চৎনহৌরিবা মখোয়-মখোয়গী চৎনা লোনচৎশিং, চাকচা-য়ুথক, পুন্সি মহিং কয়াগী মরমদসু য়াম্না সাহিত্যক ওইবা মপাউ অমা তমদুনা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংগা ঐখোয়দগী মাং থাদুনা চৎখ্রবা লমদমশিং অদুদা চৎনহৌরিবা পুন্সি মহিংগা খেন্নবগী থাক অদু য়াম্না মচা খাইনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মখোয়গী নিয়ম কায়দবা পুন্সি মহিং, পুন্সি মরেল অদু ঐখোয়গী চৎনবী ঙাক্লা নিয়ম কায়দনা চাওখৎপগী মমি অদু তানা হিংমীন্ননিংবগী অপাম্বা কয়াসু ফোঙদোকখি।

হৌগৎলক্লিবা নহা কয়ানা মুর্ত্তি অমদি চিত্রকলাগী লমদা নৌনা খোঙদারক্লিবশিং অমদি হৌজিক-হৌজিক কলা অসিবু মায়পুনরিবা মীওইশিংদা অমুক্তংদি হায়রিবা লমদমশিং অদুদা চৎলগা মখোয়না য়েক্লম্লিবা লাই, শারম্লিবা মুর্ত্তি মরুওইনা অর্থ কয়াগা লোয়ননা পৃথিবীদা পাড়িখোং চল্লিবা ফ্রান্সকী মোনালিসাগী অয়েকপা লাইগী অঙকপা শক্তম অদু য়েংহন্নিংবগী অপাম্বা ব্রাফমসু ফোঙদোকখি। অসুম্না মমল য়াম্নবা হিরম অমদা মরিক চুম্না তম্বীখিবা মপাউ অদুনা কলা অদুদা মায়পুনদুনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং অমদি কলাদা মায়পুনরিবশিংদা অহেনবা লৌশিংগী মপাল নাইদ্রবা জ্ঞান কয়া পীখি হায়রি।

নিশাগী অথিংবা থম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ সেদোগী একজিক্যুটিভ বোদিগী মীফম অমা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮ গী নুমিদাং পুং ৭ তাবদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা য়াইরিপোক বজার অমদি সেদোনা কোনবা মফমশিংদা মখল খুদিংমক্কী ময়াই কাবা পোৎলম খুদিংমক অথিংবা থম্লে হায়না সেদোগী চেরোল অমনা হায়রি।

২৩/২১ গী চেং শুনা পীবিদ্রে

Mayang Imphal Kendra গী মনুং চন্না লৈবা Bengoon Loukok Polling 23/21 গী P.D.S কী মখাদা ফংলিবা NFSA গী চেং অসি ভোটরদা KG. 3.5 খক্তা এজেন্টনা পীবিরে। অমসুং ভোটর লিষ্টতা লৈরবা Voter 43 গী চেংসু ফংহনবীদ্রে। মরী লৈনবশিংনা প্রজাগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি।

হায়জরিবা:-
Social Worker
Md. Yusuf Ali 23/21
Ward No. 11

NT/77817/11(Sept.)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST, HIYANGTHANG
Mutation Case No. 566/SDC/IW(H) of 2019

Khaidem Nipamacha Singh S/o (L) Kh. Nilamani Singh of Haobam Marak Lourembam Leikai.
. . .Petitioner

-Vrs-

(L) Khaidem Nilamani Singh S/o (L) Kh. Amu Singh of Haobam Marak Lourembam Leikai.
. . .O.P. Pattadar.

NOTICE
Hiyangthang, 10/9/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি পাট্টা নং ১০৫ (অরিবা), ১০০ (অনৌবা) দাগ নং ১৯৪ এরিয়া .৮০ একর চাওবা খুল নং ৪৫-সঙাইপৌগী ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮-৯-২০১৯ ফাওবগী মদুংদা কোর্ট অসিদা মশামক লাক্কুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা য়েৎলবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

NT/77820/11(Sept.)

সেপ্টেম্বর ১৪ দা লময়ানবা ইরাবতগী থৌরম পাঙথোক্কনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ভারত অমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা শিংথানরিবা লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতনা লৌবীরম্বা থৌদাংশিং অমদি অওনবা সমাজ অমগীদমক মণিপুর মীয়ামবু লমজিংবীরম্বা অথৌবা অসিবু নিংশিংদুনা চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর থাবুম অসি ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা শিন্দুনা লময়ানবা অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসিগী শরুক মনুং চন্না লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৪ দা মোইরাংগী আই এন এদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর অমদি মোইরাংনা পুন্না খুৎশম্ননা শিন্দুনা অথৌবা অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মোইরাংগী কো-কনভেনর মোইরাংথেম সোমোরজিৎ সিংহনা ব্রাফম অসি ঙসি মোইরাং কোনুংদা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বা ব্রাখল্লোন অদু মালেম পৃথিবীদা লৈরিবা শোকচিল্লক্লবা প্রকৃতি, চীং, পাৎ, তুরেল অমদি লৌবুক লমহাংশিং অসি মীওইবগী সমাজদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লিবা অসিবু কনবা পাম্বা ব্রাখল্লোন অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা আই এন এ মোইরাংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। থৌরম অসিদা ঙসি-ঙসিমক মায়োক্লরিবা ঈশিং ফংদবগী, লৌ কংদুনা লৌ লোকপা য়াদনা লৈরিবা, লোক্তক পাৎ মোৎশিল্লক্লিবা অমদি মোইরাং তুরেল মোৎশিল্লক্লিবা অসি ইখোংদা থাংনা য়ানশিঙ্গবগুম তৌরিবা শোকচিল্লক্লিবা ময়াম অসিদগী কন্নবগী পান্দমদা জননেতা ইরাবতনা পামজরম্না মীওইবা সমাজদা অফবা ইনভাইরোনমেন্ট অমা দরকার ওই হায়বা অদু উৎনবগীদমক্তা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

থৌরম অসিদা চহী ১৪ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা অঙাংশিংদা ইনভাইরোনমেন্ট অসি কনবা দরকার ওই হায়বা অসি খঙহন্নবগীদমক্তা পেন্টিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোক্কনি। লোয়ননা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী মপুং ওইবা থিমদি 'প্রকৃতিনা তেংথাবা' হায়বা থিম অসিদনি। পেন্টিং কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারকপশিংদসু মনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎকনি। লোয়ননা নুমিৎ অসিদা লাই য়েকপা হৈরবা অঙাংশিংনা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়ানসু শরুক য়াবীয়ু।

লাই য়েকপা চাংদম্নবা লোইরবা মতুংদা মালেম ইমা হায়বা ড্রামা অমা মীয়ামদা উৎকনি। ড্রামা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্ট তৌনবা লোক্তাক পাৎ কন্নবা চীং, পাৎ, তুরেল অসি মতৌ করম্না প্রোটেক্সন তৌগনি হায়বনচিংবা মালেম ইমানা কয়াম ব্রানা খাংলিবগে হায়বা অমদি ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্ট তৌবনা করি কান্নগনি হায়বা ব্রাখল্লোন অদু বেলেট ড্রামা অসিদা ফোঙদোক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা প্রজাশিং খুদিংমক্না থৌরম অসি মপুং ফাহনবদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মোইরাংগী কনভেনর এস লোকেন্দ্রো সিংহ, এদভাইজর কে মোহনচন্দ্র অমদি একজিক্যুটিভ মেম্বর পি ঐচ দিনেশ্বরসু শরুক য়াখি।

স্বাছ সর্বেক্সন লিগ ২০২০ গী এব্রার্নেস প্রোগ্রাম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (টি এম সি) না শিন্দুনা ভারত সরকারনা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ক্লিলিনেস টাউন ওইনা লাওথোকখ্রবা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মফমশিংদা প্লাষ্টিক থিংবগী কেম্পেইন য়াওনা স্বাছ সর্বেক্সন লিগ ২০২০ গী মতাংদা মীয়াম পুন্না ব্রাখল তামীন্নবগী এব্রার্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল ব্রাংমা তাবদা লৈবা টি এম সিগী ওফিস কেম্পেসতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহুদকী কম্মিস্নার এম জয় (আই এ এস), টি এম সিগী চিয়ারপার্সন টি ঐচ শ্যামো, দিপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এন বন্দানা (আই এ এস), মহুদকী দিরেক্টর টি ঐচ হরিকুমার, পি ঐচ ই দিগী এদিস্নেল চিফ ইঞ্জিনিয়ার এল স্বামিকান্তা, টি এম সিগী ভাইস চিয়ারপার্সন এ কে সনাতোম্বা অমদি একজিক্যুটিভ ওফিসার সালভাদোর টি বাইটেনো মথংশিংনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংলদুনা কম্মিস্নার জয়না হায়, ভারত সরকারনা লৌখৎলক্লিবা প্লাষ্টিক থিংবগী খোঙথাং অসি মায় পাক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমীন্নসি। লোয়ননা ভারত সরকারনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিবু নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা খ্বাইদগী লু-নানবা ক্লিলিনেস সিটি অমা ওইনা খল্লকখিবা অসিদগী তাদনবা হোৎনসি হায়বা ব্রাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা চাদা-চা দোর টু দোর কলেক্সন অমদি সোলিদ ৱেষ্টশিং তোখাইনা থম্নবা থৌরাংসু লৌখৎনবগী মরমদসু অখং-অহৈশিংনা ব্রা ঙাংখি। লোয়ননা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দোর টু দোর কেম্পেইনগী য়ুম-য়ুমদা অমোৎ-অকাই হাপ্পনা দষ্টবিন ৩/৩ সু থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ব্রার্দ ১৮ গী অপুনবা ইমুং ১৮০ দা অহানবগী ওইনা য়েক্লোকখ্রে।

জিরিগী মতুংদা অসামদা মীতৈ ময়েক তম্বীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ মীলাল অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন গর্ভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর অনিনা খুৎশম্ননা শিন্দুনা চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মীতৈ ময়েক ইবা-পাবা হৈনবগীদমক লেম্না মীতৈ ময়েক তাকপী-তম্বীবগী থৌরম কয়া চখদুনা লাক্লি। হায়রিবা থৌরম অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩ দগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা জিরিবামদা পাঙথোক্তুনা জিরিবামগী মফম অয়াম্বদা মীতৈ ময়েক তম্বীবগী থৌরম চখখি। মখা তারকপা ওইনা ঙসি মীলালগী থৌমী ৫ না অসামগী মীতৈ তাবা খুলশিংদা মীতৈ ময়েক তম্বীবগী থৌরম বোনতরাপুর কছার অসামদা হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা থৌরম অদুদা এম বাবাতোন সিংহ রিটায়ার্দ প্রোফেসার জনতা কলেজ, হাওরোংবম বিমোল সিংহ, কেনয়ানচান্দ সিংহ, য়াংলেম বিরেন মীতৈ লুচিং পুরেল মীলালনা থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোকখ্রে। লোয়ননা মীলাল ময়াই লোইশঙদগী লেম্বী মপী লাইরিকশিংসু মহৈরোইশিংদা অমমম য়েক্লোকখি। মখা তানা ঙসিগী ব্রাঙাংলোইশিংনা মীলালনা অসিগুম্না লোল ময়েক তম্বীবা লাকপা অসি পুক্লিং নুংশিবা ঐগী-ঐগী ইমা লোল অসি মীপুম তিংনা হৈমীন্নবা মথৌ তাই। লোয়ননা তাম্না লৈরম্লবসু ইমা লোল তম্বা ফংবা অসি পোকপগী মহৈ য়াল্লে হায়বগী ব্রাফম কয়া ব্রাঙাংলোইশিংনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা অসাম বোনতরাপুর মশা লোইশঙ অমা হাংদোকখ্রে হায়না মীলালগী চেরোল অমনা হায়রি।

মোরেগী টব্রার মথৌ তৌহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ঙসি মোরেদা লৈবা বি এস এন এলগী কঞ্জুমর সার্ভিস সেন্টরদা মোরে কঞ্জুমর ক্লবনা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা মোরেদা লৈবা বি এস এন এলগী মিটর ১০০ গী টব্রার অসি অথুবা মতমদা ফঙ্কসন তৌহন্দবা তারবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মোরে কঞ্জুমর ক্লবনা ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মোরেদা লৈবা বি এস এন এলগী নোদেল ওফিসার অমা লৈতবা অসিনা মরম ওইরগা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর টাউন মোরেগী বি এস এন এল কঞ্জুমরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা নেটব্রার্ক ফংদবনচিংবা অসি কোকহনবা ঙমদবা অমদি প্রজাগী পেন্দবা কয়াশিংগা লোয়ননা নিংবা থুংদবা অসিনি।

মোরেদা মখল কয়াগী নেটব্রার্ক কম্পনি কয়া লৈরবসু মোরেগী প্রজাশিংনা গভর্নমেন্টগী ওইবা বি এস এন এলদা থাজবা কয়া অমা থম্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অতোপ্পা নেটব্রার্ক কম্পনি কয়া নেটব্রার্ক পীবা ঙমদ্রি। চীংদা লৈবা মীওই কয়ানা বি এস এন এলগী নেটব্রার্ক অসি চীংদা নিংথিনা ফংবনা বি এস এন এলগী কঞ্জুমর কয়া অমগী পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবা অমত্তা ওইরিবা পাম্বৈ অমনি।

অদুবু হৌখিবা চহী ৩ রোম অসিদা বি এস এন এলগী নেটব্রার্ক অসি মোরেরোমগী মায়কৈদা য়াম্না তোইনা তৎপা, নেটব্রার্ক নিংথিনা ফংবা ঙমদবা অমদি ইন্টরনেট চাং নাইনা ফংদবা অসিনা প্রজা মীয়ামদা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লহল্লে। ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী লোন্নবদা লৈরিবা মোরে টাউন এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী য়াম্না মরুওইরিবা মফম অমনি। অদুবু ইন্দিয়াগী নেটব্রার্কতি বোর্দর এরিয়াশিংদা অমত্তা নিংথিজনা ফংবা ঙমদ্রি। অদুবু ম্যান্মারগী নেটব্রার্কতি বোর্দর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া লোকচাও খুল ফাওবা নিংথিনা ফংলি। মসি ইন্দিয়াগী নেটব্রার্ক চলাইরিবশিংগী য়াম্না চাওনা ইকাইনিংঙাই অমনি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মোরে কঞ্জুমর ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট জিননিও শিংসন্না হায়, মোরেদা লৈরিবা নেটব্রার্ক কম্পনি কয়াদগী মোরেগী প্রজানা খ্বাইদগী থাজবদি বি এস এন এলনি। হন্দক্কী চহী ২/৩ অসিদা বি এস এন এল অসি ময়ামদগী কা-হেন্না শোল্লরকপা, নেটব্রার্ক চাং নাইনা ফংদবা অমদি ইন্টরনেট ফংদবা অসিনা প্রজাগী থাজবা কয়া অমা মাঙশিল্লক্লি। মসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা অমদি গভর্নমেন্টনা য়েংশিন্দুনা মোরেগী বি এস এন এল কঞ্জুমরশিংগী অৱাবশিং অসি কোকহনবীয়ু হায়খি। মোরেদা লৈবা বি এস এন এল কঞ্জুমর সার্ভিস সেন্টর অসিদা নোদেল ওফিসার অমত্তা লৈতবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। লোয়ননা প্রজাগী কমপ্লেন লাকপদা নোদেল ওফিসার লৈতবনা ষ্টাফ ৩ খক্লা প্রজাগী কমপ্লেন লৌবা ঙমদ্রি। মরমশিং অসি লৈবনা মোরেদা নোদেল ওফিসার অমা থম্বীবা অমদি মিটর ১০০ গী টব্রার অসি অথুবদা ফঙ্কসন তৌহন্দবা তারবদি কঞ্জুমরশিংগী য়েংলগা মোরে কঞ্জুমর ক্লবনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়রি।

ꯃꯪꯈ꯭ꯔꯦ/ID Card Lost

I have lost my ID Card bearing No. 3276 issued by the PHE Department on the way in between Khuyathong and Lamphelpat on 19/8/2019

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **L. Karanchungpu**
Ragailong, I/E
# 7005252723

NT/77819/11(Sept.)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST, WANGOI
Mutation Case No. 482/SDC/IW/2019

1) Md. Abdul Wahid S/o (L) Abdul Rasid of Haoreibi Makha Leikai. 2) Md. Zakariyu S/o Haji Ashraf Ali of -do- 3) Md. Abdul Rasid S/o (L) Abdul Waheb of Haoreibi Makha Leikai.
. . .Petitioners

-Vrs-

(L) Md. Abdul Rasid S/o (L) Abdul Waheb of Haoreibi Makha Leikai.
. . .O.P.

NOTICE
Wangoi, Date 10/9/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু Pattadar Abdul Rasid গী মিংদা পানবা খুন নম্বর 90-Samurou গী Patta No. 75/1777 (N) কী C.S. Dag No. 565/540 গী এরিয়া .62 acres কী মনুংদা Petitioner No. 1 গী area .31 acres অমসুং area .31 acres না Petitioner No. 2 গী share ওইনা মখোয়-মখোয়গী মিংদা নামা পানশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৩-৭-২০১৯ কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থজগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

NT/77821/11(Sept.)

অচুম অরান ফজনা পুথোকপিয়ু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ থাঙ্গ কেন্দ্রগী কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থাঙ্গ হৈস্নাম ময়াই লৈকায়দগী হৈস্নাম লালবোই এলাইজ ঘনশ্যাম চহি (১৭) রেপিষ্ট নি হায়না য়ুএনএলএফনা হাৎখিবা থৌদোক অদু য়াম্না পেঙ্গদে হায়না মহাক্কী অপোকপা মপা বুদ্ধিনা ঙসি মহাক্কী ময়ুমদা পাংথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা কোর্টতা ত্রাইয়েল চথরিবা নুপা অমবু হাৎতোকপিখিবা অসি মপা অমা ওইনা নুংঙাইজদে। কোর্টতা ত্রাইয়েল চথরিবা অসিদা নুপীনা কদাইদা শোই, নুপানা কদাইদা শোই হায়বদুগী অচুম অরান থিদোকপিরগা ইচানা মরাইবক থিদনা লৈখিদ্রবসু অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকপদা মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

লালবোইগী মচন নুপী হৈস্নাম দয়ারাণিনা হায়খিবদা মবুংনা লালম্বা তারগদি মদুগী প্রমান মঙোন্দা উৎপিয়ু। মদু নৎত্রিবা ফাওবা মহাক চরা হেনবগী খোংজং চংশিল্লগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নে হায়না মরাল শিবদা য়াওরিবা হৈস্নাম অরুনথোইগী অপোকপী মমা রোমা দেবীনা হায়খিবদা থৌদোক অসিদা চেন্নে হায়রিবা হৈস্নাম অরুনথোই, হৈস্নাম হোক্কিং, হৈস্নাম বিদ্যানন্দ, হৈস্নাম যশোবন্তা হায়রিবশিং অসি মহৈ মশিং তন্নিবা অঙাং ঙাক্তনি। মখোয়দা কিহন খঙহনবা মানবা থৌওং চখবিগনু। নুপী ময়ুমগী কম্মেন্ট খক তারগা থবক তৌবিগনু। অচুম অরান খঙলগা দন্দি পীবিয়ু। অচুম অরান নিংথিনা পুথোকপিয়ু। অচুম্বা পুথোকমিন্ননবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

চনা-থরুবা পোৎলম কয়া খুদোল ওইনা তমখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ওল ইন্দিয়া পায়াম ইসানিয়ট ফোরম (এ আই পি আই এফ) না লৈবাক অসিদা লৈমীন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইবগী ব্রাখল্লোন অসি হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপা থৌরাংগী শরুক মনুং চন্না ফোরম অসিনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী ব্রার্দতা অমদি কেজুয়েলিটিদা লায়েংদুনা লৈরিবা অনাবশিংদা চানা-থরুবা হৈ-রাগী পোৎলমশিং খুদোল তমখ্রে।

'নুংশি চান্নবগী পাউজেল' হায়বা ব্রাখল্লোন অসিদা চানা-থরুবা খুদোল তমখিবা অদুদা খাঙবোক জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ রাজমোহন, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা: সি ঐচ মেমচা অমদি এ আই পি আই এফ মণিপুর ষ্টেটকী ওর্গনাইজর এম দি অফজাল নদৱিসু শরুক য়াখি।

ওর্গনাইজর এম দি অফজাল নদৱিনা হায়, লৈবাক অসিদা থোক্লিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবগী থৌওংশিং অসি মুখৎনবগী পান্দমদা লুপ অসি হৌখিবা চহী ১৯৭৪ দা লক্ষনৌদা শাফোংখিবনি। ঐখোয় মশেল অমত্তনি, ইচিল-ইনাওনি, নুংশি চান্না লৈমীন্নরগা লৈবাক অসিদা ইংনা চিক্লা পানবা লৈবাক অমা পুরকসি অমদি চাওখৎ থৌরাংদা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামীন্নসি হায়বগী লুপ অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা পাউজেল পীদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মসিদা মীয়ামনসু শৌগৎপীয়ু হায়না অপিল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা হোস্পিতালশিংদা চৎলগা অনাবশিং অমদি জেলদা লৈরিবা ফাদোকশিংদা হকথেংননা উন্নরগা মখোয়দা লৈরম্বা অরানবা ব্রাখল্লোনশিং অদু থাদোক্লবা অফবা পাউতাক পীবা অমদি অমত্তা ওইবগী ব্রাখল্লোন শাগৎনবগীদমক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা লুপ অসিনা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা ফ্রি হেলঠ কেম্প, ব্লদ দোনেসন কেম্পনচিংবা কয়াসু লুপ অসিনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা খুদোল তম্বগী থৌরম অসি থা খুদিংগী ওইনা পাঙথোক্লবগী পান্দমসু থল্লি হায়খি।

প্লাষ্টিক্কী অমোৎ-অকাইগী পোৎলমশিং শেংদোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ককচিং রন্নরসনা সেপ্টেম্বর ৮ দা 'ৱার্ল্ড ৱার-২ মেমোরিয়েল রন অনিশুবা এদিসন' অসি মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি প্লাষ্টিক অমদি অমোৎ-অকাইগী পোৎলমশিং শেংদোকপগী সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প অমা লুপ অসিনা শিন্দুনা লমজেল চেনখিবা মফমশিংদা শেংদোকপগী থবক পায়খৎখ্রে।

কিলোমিটর ২৫ অমদি কিলোমিটর ৮ কী লমজেল চেনখিবা লম্বীশিংদা লমজেলগা মরী লৈননা চাইরম্বশিংদা নত্তনা কৈথেল অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা তারম্বা অমদি চাইরম্না প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংগা লোয়ননা অতৈ অমোৎ অকাইশিংসু ককচিং রন্নরসকী থৌমীশিংনা শেংদোকখ্রে।

ঙসিগী সোসিয়েল সার্ভিস অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা চহী ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ককচিং ৱার্ল্ড ৱার-২ মেমোরিয়েল রনগী অহানবা এদিসন দা মতম অদুগী রেস দাইরেক্টর ওইখিবা নাওরেম মুনাল মীতৈনা হায়, ঙসিগী প্লাষ্টিক অমদি অমোৎ অকাইশিং শেংদোকপগী সোসিয়েল সার্ভিস অসি ককচিং রন্নরসনা পান্দম অহুমদা পাঙথোকপনি। ককচিং রন্নরসকী মোটোদি রন ফোর এ হেলঠি সোসাইটি হায়বা অসিনি। হৌজিক প্লাষ্টিক অমদি অতৈ অমোৎ অকাইশিং অসি মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্তা হকচাং শোকহনবগী খ্বাইদগী ইহান হানবা মরমনি হায়না য়ানরবা ব্রাফমনি। ককচিং রন্নরসনা সেপ্টেম্বর ৮ দা শিজিন্নখিবা লমজেলগীদমক প্লাষ্টিক ব্রাটর বট্টল, ফ্রুটি জুইস অমদি ও আর এসনচিংবা পুন্না লিশিং ১০ গী মথক্তনি। মরম অসিনা ককচিং রন্নরসনা শিজিন্নখিবা প্লাষ্টিকশিং অমদি অতৈ পোৎলমশিং অসি শেংদোকহৌদবা তারবদি মদুমক্না ঐখোয়গী পান্দম হেলঠি সোসাইটিগী মায়োক্তা ওইরক্কনি হায়বা খন্দুনা সোসিয়েল সার্ভিস অসি পাঙথোকপনি।

অনিশুবদা ককচিং টাউন অসি মণিপুরগী ম্যুনিসিপালিটিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লু-নানবা টাউননি। অদুগা হৌখিবা চহী ২০১৭ দনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা খ্বাইদগী নানবা টাউন অমা ওইখিবনি। লোয়ননা ককচিং রন্নরসনা ঐখোয়গী লুবা-নানবা অসিগী মিংচৎ অদু ঙাক্তুনা থম্না পাম্মী।

৩ শুবদা প্লাষ্টিক অমদি প্লাষ্টিক্কী প্রদক্টশিংগী অমাংবশিং অসি ককচিং রন্নরসনা মীয়ামদা সোসিয়েল সার্ভিসকী খুখাংদা খঙহনবা পাম্মী। লোয়ননা প্লাষ্টিক্না ঈরম নলাশিংবু ফুঞ্জিনহনবতা নত্তনা চহী লিশিং ২ ফাওবা দিকম্পোজ তৌবদা অমদি মৈ থারবসু নুংশিৎতা দাইওক্সিন হায়না খঙনবা মীওইবদা কেন্সর য়াম্না থোক্লনবা গ্যাস মখল অসি পুথোক্তুনা মাঙহনবশিংদু খঙহনবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয় খুদিংমক্না প্লাষ্টিক ফ্রি মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনরসি। মসিগীদমক ঐ ইশাদগী অমদি ঐগী-ঐগী ইমুংদগী হৌগদবনি। মরুওইনা নুপীশিংনা কৈথেলদা, দুকান্দা প্লাষ্টিক শিজিন্নদবা ঙম্লবা অমদি লৈঙাক্লসু প্লাষ্টিক্কী প্রদক্ট অসিবু থিংবগী লমদম অসিদা য়াথং খক থোকপগী মহুৎতা পোলিটিকেল ৱিল অমগা লোয়ননা হোৎনবা তারবদি শোইদনমক্কী মণিপুরবু প্লাষ্টিক ফ্রি ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়খি।

ইন্টরভিয়ু পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শোখরবা মহৈরোইশিংদা অখন্ননা পীবা স্কোলরসিপ ২০১৯-২০ গী ওইনা ওনলাইন তৌখ্রবা মহৈরোইশিংনা ইন্টরভিয়ু য়াওবীবা য়ারগনি। অরিবশিংগীনা সেপ্টেম্বর ২৭ তা অদুনা অনৌবশিংগীনা সেপ্টেম্বর ২৯ গী অয়ুক পুং ৭ তা লিলোং লমখাই মসজিদ রোদতা লৈবা পোপুলর ফ্রন্ট ষ্টেট হেদ ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়না পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী চেরোলনা হায়রি।

সোসিয়েল ওদিট গ্রাম সভা পাঙথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ এম জি এন আর ই জি এস অমসুং পি এম এ ৱাই-জি ২০১৮-১৯ গী থবক থৌরমশিং নিয়ম চুম্না শুরিব্রা, শুদ্রিবরা অমদি শুরিবা থবক অদু প্রজাদা কান্নবা ফংলব্রা অমদি ফংদ্রিবরা হায়বা অসিগী মতাংদা মণিপুর সোসিয়েল ওদিট এজেন্সিনা বিষ্ণুপুর সি দি ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা সোসিয়েল ওদিট গ্রাম সভা মীফম অমা ঙরাং উপোকপী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা চত্থগদবা সোসিয়েল ওদিট গ্রাম সভাগী মীফম অদুদা কে ঐচ কুলানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা টি ঐচ পঞ্চকুমার দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ওদিটর বিষ্ণুপুর, এন লুগানিস দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ওদিটর চান্দেল, নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন জাদু সিংহ, বিষ্ণুপুরগী বি দি ও কে জাদুমনি, নাচৌ জিলা পরিষদকী মেম্বর টি ঐচ দিলিপ মীতৈ, দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার সলাম শ্যাম সিংহ অমদিন ইলেক্টেদ ব্রার্দ মেম্বরশিংনা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ওদিটর টি ঐচ পঞ্চকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইং ২০১৮-১৯ দা থাদখিবা এম জি এন আর ই জি এস অমদি পি এম এ ৱাইগী থবক থৌরমশিং অসি নিয়ম চুম্না শুরিব্রা অমদি শুরিবা থবকশিং অদু প্রজাদা কান্নবা ফংলব্রা অমদি ফংদ্রিবরা হায়বা অসিগী মতাংদা নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা চত্থগদবনি। চত্থরিবা থবক অসি প্রজাশিংদগী কমপ্লেন কয়া তৌরগা থেংনরকপা ফাইন্দিং ময়াম অদু সোসিয়েল ওদিটগ্রাম সভা অসিদা মীয়ামদা পাথোক্লগা খন্ন-নৈনবগী তঙ্গা অদু লৌবনি। অদুগা হায়রিবা কমপ্লেন অসিগী মতুং ইন্না রিপোর্ট অসি লৌখৎলবা মতুংদা কনাগুম্বনা পীরিবা এক্সন টেকনগী মতম নুমিৎ ৩০ নি অসিদা থবক শুহৌদবা অমদি ৱাংহৌবা য়ুম শাবা লোইশিন্দবা তারগদি মদু শেল ওইনা রিকোভরি তৌরগনি। মসি ঙসিগী গ্রাম সভা অসিদা রিজোলুসন লৌমীন্নবনগী তঙ্গা অদু লৌবনি হায়খি।

ꯃꯪꯈ꯭ꯔꯦ/Voter ID Card Lost

I have lost my Voter Identification Card issued by Election Commission of India having Voter ID Number DSX0093906 on the way in between my resicence and Thoubal on 6/9/2019

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ngangom Nandabir**
Wangjing Bazar
# 9366684498

NT/77816/11(Sept.)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST, WANGOI
Mutation Case No. 481/SDC/IW/2019

1) Laiphrakpam Nillachandra Singh S/o (L) Heramani Singh of Chongtham Kona Mayai Leikai. 2) Leiphrakpam Ingocha Singh S/o (L) Heramani Singh of Chongtham Kona Mayai Leikai.
. . .Petitioners

-Vrs-

(L) Leiphrakpam Heramani Singh S/o Shajou Singh of Chongtham Kona.
. . .O.P.

NOTICE
Wangoi, Date 10/9/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু Pattadar L. Heramani Singh গী মিংদা পানবা খুন নম্বর 81-Chongtham Kona গী Patta No. 36 (N) কী C.S. Dag No. 26 গী এরিয়া 1.500 acres না Petitioner No. 1 গী share 2) C.S. Dag No. 35 গী area 1.65000 acres কী মনুংদা area .825 acres না Petitioner No. 1 গী share ওইনা অদুগা অরেম্বা area .825 acres না Petitioner No. 2 গী share ওইনা মখোয়-মখোয়গী মিংদা নামা পানশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৩-৭-২০১৯ কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থজগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

NT/77821/11(Sept.)



PERMANENT CURE

(অশৌবা পকপা)

(তাং-তাং চিকপা)

(দাইবেটিসগী প্রোব্লেম)

(নুপাগী প্রোব্লেম)

(নুপীগী প্রোব্লেম)

Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream
Buiding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking